# এটলেটিকো মাদ্রিদনা লালিগাগী টাইটল লৌখ্রে, রিয়াল মাদ্রিদ অমসুং বর্সেলোনা ২শুবা অমসুং ৩শুবা তাখ্রে



মাদ্রিদ, মে ২৩ (এজেন্সী):
স্পেনগী লালিগা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং শান্নখিবা ৩৮শুবা রাউন্দদা এটলেটিকো মাদ্রিদনা রিয়াল ভালাদোলিদপু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীদুনা পোইন্ট ৮৬ ফংখিবগা লোয়ননা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে। টাইটল অসি এটলেটিকো মাদ্রিদকী ওইনা রিয়াল মাদ্রিদনা কন্না তান্নরক্লবসু পোইন্ট ২ হেল্লগা চেম্পিয়ন ওইখি।

এটলেটিকো মাদ্রিদকী মায়কৈদগী ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অদু রিয়াল ভালাদোলিদনা যূম্বু ওইরগা জোস জোরিলা ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবনি। শান্নবগী ১৮ শুবা মিনটতা রিয়াল ভালাদোলিদকী মায়কৈদগী মার্কোস দি সোসানা পীরকপা পাস অমদা ওস্কারপ্লানোনা একাউন্টহাংদোকখি। এটলেটিকো মাদ্রিদকী মায়কৈদগী অহানবা হাফকী মতম লোইশিল্লকপা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা হন্দোকপা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাফ শান্নরকখি। মিনট ১২ চঙশিল্লকপদা য়ানিক করাস্কোনা ফংখিবা বোল অমা ইন্থোরকপদা টিমমেট এঞ্জল কোরিয়ানা ইক্কেলাইজর অদু চনখি। মিনট ১০ লৈরগা এটলেটিকো মাদ্রিদতা হান্না বর্সেলোনাদা শান্নরম্বা লুই স্বারেজনা শান্নবগী ৬৭ শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১ চন্দুনা রিয়াল ভালাদোলিদপু ২-১দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

শান্নবগী মখা তারকপা রিয়াল ভালাদোলিদকী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনবা ঙমদনা এটলেটিকো মাদ্রিদনা ২-১দা মেটচ অদু মায় পাকখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা রিয়াল মাদ্রিদনা ভিলারিয়ালবু ২-১দা থোইবা ঙমখি। মখোয় পোইন্ট ৮৪ ফংলগা লীগ অসিগী অনীশুবা পোজিসন তাখি। অমরোমদা বর্সেলোনানা আইবারগা শান্নখিবা মেটচতা ১-০দা থোইদুনা মখোয় পোইন্ট ৭৯ ফংবগা লোয়ননা ৩শুবা পোজিসনা তাখি।

ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচশিংদা রিয়াল বেটিসনা সেল্টা ভিগোবু ৩-২দা থোইখি। এথলেটিক বিলবাও এলচেগী মখূৎতা ০-২দা মায়থীবা নংখি। লোয়ননা রিয়াল সোসাইদেদনা ওসাসুনাবু ১-০দা থোইখি।

রিয়াল মাদ্রিদ অমসুং ভিল্লারিয়ালগা শান্নখিবা মেটচ অদু রিয়াল মাদ্রিদনা যূম্বু ওইখি। অলফ্রিদো দি ষ্টিফানো ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অদুগী হৌরকপা ২০শুবা মিনটতা ভিলারিয়ালগী মায়কৈদগী জেরাদ মোরিনোনা পীরকপা বোল অমদা য়েরেমি পিনোনা অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লগা রিয়াল মাদ্রিদপু ১-০দা মাঙজিল থাখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবা রিয়াল মাদ্রিদ ইক্কেলাইজর ফংদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ১০ চঙশিল্লকপদা রিয়াল মাদ্রিদকী করিম বেঞ্জিমানা পাঞ্জল চল্লম্বা য়াবা খূদোংচাবা অমা মাঙজখি। অদুবু শান্নবা লোইগদবা মিনট ৩ৱাৎলিঙৈদো মহাক্না টিমমেট রোদ্রিগোনা পীরকপা বোল অমদা ইক্কেলাইজর অদু ৮৭শুবা মিনটতা চনখি। মেটচকী অপীবা মতম লোইশিল্লক্কবা ইঞ্জ্যুরি টাইম হৌরকপগী ২শুবা মিনটতা ইক্কেলাইজর চনখিবা করিম বেঞ্জিমানা খায়দোরকপা বোল অমা টিমমেট লুকা মোদ্রিকনা পাঞ্জল ১ চল্লগা মেটচ অদু মখোয়না ভিল্লারিয়ালবু ২-১দা থোইখিবনি। করিগুম্বা এটলেটিকো মাদ্রিদনা মখোয়গী মেটচ মায়থীরল্লবদি রিয়াল মাদ্রিদনা টাইটল লৌরমগদবনি।

# বেয়র্ন ম্যুনিকনা ওক্সবর্গপু অরোইবা লীগ মেটচতা পাঞ্জল ৫-২দা থোইদুনা বুন্দেসলিগাগী টাইটল লৌবা ঙমখ্রে

বর্লিন, মে ২৩ (এজেন্সী):
জর্মনিগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা টুর্নামেন্ট বুন্দেসলিগাগী ঙরাং শান্নখিবা ৩৪শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা মমাংগী চেম্পিয়নসু ওইরিবা বেয়র্ন ম্যুনিকনা ওক্সবর্গপু পাঞ্জল ৫-২দা মায়থীবা পীদুনা পূন্না পোইন্ট ৭৮ ফংবগা লোয়ননা মখোয়গী টাইটল অদু দিফেন্দ তৌবা ঙমখি।

বেয়র্ন ম্যুনিকনা যূম্বু ওইরগা মখোয়গী হোম গ্রাউন্দ অলিয়ান্স এরেনাদা মেটচ অদু শান্নখি। শুপ্নগী ৯শুবা মিনটতা বেয়র্ন ম্যুনিককী মায়কৈদগী চথুরকখিবা এটেক অমদা জেফ্রি ৱেল্যুনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। মখা তারকপা শান্নবগী ২৩শুবা মিনটতা বেয়র্ন ম্যুনিককী মায়কৈদগী সর্জে নাব্রিনা টিমগী ২শুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা ওক্সবর্গপু মাঙজিল থারগা লৈখি।

মেটচকী পুংখায় হেঞ্জিল্লক্লবা মখা তানা এটেক চথবগী চাং হেনখিবা বেয়র্ন ম্যুনিককী মায়কৈদগী কিংসলে কোমানকা পীরকপা ক্রোস অমদা জোস্বা কিমিসনা টিমগী অহুমশুবা পাঞ্জল অদু চনখি। মেটচকী অহানবা হাফ লোইগদবা মিনট ২দা ঙাইরবা মতমদা দেবিদ অলাবানা পীরকপা বোল অমদা কিংসলে কোমানকা বেয়র্ন ম্যুনিককী ৪শুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা অহানবা হাফ অদু লোইশিনখি।




মেটচ অদুগী মাংওইননা বেয়র্ন ম্যুনিক মেটচ ৩৩দা পোইন্ট ৭৫ ফংদুনা টেবলগী মকোক্তা লৈখিবনি। মখোয়গী খ্বাইদগী নক্লবা টিম ওইখিবা রাসেনবোলস্পোর্ট লৈপজিগ রাউন্দ ৩৪দা পোইন্ট ৬৫ ফংলগা অনীশুবা পোজিসন তাখি। অহুমশুবা পোজিসনদা বোরুসিয়া দোর্টমুন্দনা পোইন্ট ৬৪ ফংলগা লৈখি।

ঙরাংগী মেটচ অদুগী অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈদা ওক্সবর্গকী মায়কৈদগী পুশিল্লকপা এটেক অমদা লাস্লো বেঞ্জকী পাস অমগী খূদোংচাবা লৌদুনা এন্দ্রি হাননা শোথখিবা পাঞ্জল ৪গী মনুংদা ১ হন্দোকপা হৌখি। শান্নবগী ৭২ শুবা মিনটতা ওক্সবর্গকী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনখিবা এন্দ্রি হাননা পীরকপা বোলদা ফ্লোরিয়ান নৈদরলেগনরনা টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনখি।

বেয়র্ন ম্যুনিককী মায়কৈদগী য়াম্না মরুওইবা ষ্ট্রাইকর অমা ওইরিবা পোলেন্দ মচা রোবর্ট লিৱানদোস্কিনা শান্নবগী ৯০শুবা মিনটতা টিমগী ৫শুবা পাঞ্জল অদু চনখিবগা লোয়ননা মায় পাকপসু ঙমখি। মশাগী চহী ৩২শুরবা রোবর্ট লিৱানদোস্কিনা বুন্দেসলিগাগী অনৌবা রেকোর্দ অমা থম্বা ঙমখি। মহাক্না বুন্দেসলিগাগী সিজন অমদা পাঞ্জল ৪১ চন্দুনা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না চনবা ঙম্বগী রেকোর্দ অদু থমখি।

মমাংদা কুমজা ১৯৭১-৭২ সিজনদা মমিং লৈরবা শান্নরোয় বেয়র্ন ম্যুনিককী গর্ট ম্যুলরনা পাঞ্জল ৪০ চন্দুনা খ্বাইদগী য়াম্বগী রেকোর্দ অদু থল্লম্বনি। ঙরাংগী মেটচ অদুগী মাংওইননা রোবর্ট লিৱানদোস্কিনা পাঞ্জল ৪০ চন্দুনা ম্যুলরগী রেকোর্দ অদু মান্নবা ঙমখ্রবনি। ম্যুলরনা হন্দক্কী সিজন অসিদা শোকপদগী মেটচ ৩৩গী মনুংদা মেটচ ৫দি শোক্তুনা য়াওবা ঙমখিদবনি। হৌজিক-হৌজিক রোবর্ট লিৱানদোস্কিগী পাঞ্জল ৪১ অদু থারগা মহাক্না কুমজা ২০১০দগী বেয়র্ন ম্যুনিকতা শরুক য়ারকখিবদা পাঞ্জল ২৭৭ চল্লি।

# রসিয়াগী এথলিট ১০না ওলিম্পিক্সতা লম্বা তৌবা য়াগনি

লোজেন, মে ২৩ (এজেন্সী):
ৱর্ল্ড এথলেটিক্স দোপিং রিভিয়ু বোর্দনা ঙরাং ফোঙদোকখিবা মতুংইন্না চহী অসিদা পাঙথোক্কদবা তোঙান-তোঙানবা ইন্টরনেসনল কম্পিটিসনশিংদা ন্যুট্রেল এথলিট অমা ওইনা রসিয়াগী এথলিট ২৩বু অয়াবা পীখ্রে। মখোয়গী মরক্তগী রসিয়ন নেসনল ফেদরেসনন্না এথলিট ১০ ওলিম্পিক্সকীদমক্তা খনবা য়াগনি হায়রি।

রিভিয়ু বোর্দ অসিনা রসিয়ন নেসনল ফেদরেসনগী মথক্তা থল্লিবা অথিংবা অদুদি লৌথোকপা লৈত্রি। ৱর্ল্ড এথলেটিক্সকী ৱারোল অদুনা মখা তারদুনা ওথোরাইজ ন্যুট্রেল এথলিট ষ্টেটস ফংলবা মীওইশিং অদুদমক ইন্টরনেসনল কম্পিটিসনদা শরুক য়াবা য়াগদৌরিবনি। লোয়ননা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী ওইনদি হায়রিবা ষ্টেটস ফংলবা ন্যুট্রেল এথলিটশিং অদুগী মরক্তগী এথলিট ১০ শরুক য়াবা য়াগদৌরিবনি।

থাংজ নুমীৎতা শান্নরোয় ২৩বু ন্যুট্রেল এথলিট ষ্টেটস পীখ্রবা মতুং হৌজিক-হৌজিক অপূনবা রসিয়াগী মায়কৈদগী ইন্টরনেসনল কম্পিটিসনদা শরুক য়াবা য়াগদৌরিবা এথলিটশিংগী মশীং অদু ২৭ য়ৌখি। ইন্টরনেসনল রেজিষ্টর টেষ্টিং পুলগী মনুংদা লৈরিবা রসিয়াগী ওথোরাইজ ন্যুট্রেল এথলিটশিংনা খূদোংচাবশিং অদু ফংগদৌরিবনি। কুমজা ২০২০গী দিসেম্বরদা কোর্ট ওফ অর্বিট্রেসন ফোর স্পোর্টস (সী এ এস)না ইন্টরনেসনল এন্টি দোপিংগী চৎন-কাঙলোনশিং অদু রসিয়াগী মায়কৈদগী মপূং ফানা থবক ওইনা পাঙথোক্লমদবা অদুনা মরম ওইরগা চহী ২গী ওইনা মালেমগী থাক্তা পাঙথোকপা স্পোর্টিং ইভেন্টশিংদা রসিয়াবু অথিংবা পীরকপনি। ইন্দি-ভিজ্যুএল এথলিটশিংনা রসিয়াগী ফিরাল শীজিন্নবা য়ারোইদৌরি।

# এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়াগী বোক্সরশিংনা ফজবা পর্ফোর্মেন্স উৎপা ঙমগনি হায়না থাজবা থম্লক্লি

দুবাই, মে ২৩ (এজেন্সী):
হয়েংদগী য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটসকী কোনুং দুবাইদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী বোক্সর ১৯না ফজবা পর্ফোর্মেন্স উৎপা ঙমগনি হায়না থাজবা থম্লক্লি।

নুপা বোক্সর ৯ অমসুং নুপী বোক্সর ১০না টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াননবা ঙরাং নুংথিল দুবাইদা থুংখ্রবনি। মরক অসিদা নুপাগী বোক্সর বিনোদ টনৱর (কিলোগ্রাম ৪৯) কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইরকপদগী মহাক্কী মমিং ৱিদ্রো তৌখিবনি।

নীংশিংবা য়াই, হৌখিবা এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা থাইলেন্দনা যূম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবদা মেদল ১৩ ফংদুনা ফজবা ঙমখি। মদুদা গোল্ড মেদল ২, সিলভর ৪ অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল ৭ য়াওখি। অদুবু হায়রিবা মেদল মশীং অদু



হন্দক হেনগৎপা ঙমগনি হায়বগী থাজবা অদু নুপাগী বোক্সিংগী হাই পর্ফোর্মেন্স দিরেক্টর সান্তিয়াগো নিএভানা ফোঙদোরকপনি।

বোক্সরশিংগী মনুংদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ৬লক ওইবা ঙল্লবা এম সী মেরি কোমদা অচৌবা থাজবা থম্লি। মহাক কিলোগ্রাম ৫১গী কেটেগোরিদা শরুক য়াগদৌরিবনি। নীংশিংবা য়াই, মেরি কোমনা চেম্পিয়নশিপ অসিদা পূন্না মেদল ৫ ফংবা ঙমখ্রবনি।

ইন্টরনেসনল বোক্সিং এসোসিএসননা এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অসিদা পূন্না যু এস দোল্লর ৪০০,০০০গী ফন্দ কায়থরকখ্রবনি। চেম্পিয়নশিপ অদুদা গোল্ড মেদল লৌবা ঙম্বা বোক্সরশিং অদুনা যু এস দোল্লর ১০,০০০গী মনা ফংগদৌরি। সিলভর মেদল ফংবা বোক্সরশিংনা যু এস দোল্লর ৫,০০০ ফংগনি। অদুগা ব্রোঞ্জ ফংহৌবা বোক্সরশিংনা যু এস দোল্লর ২,৫০০ ফংগদৌরি।

ইন্দিয়াগী নুপাগী কাঙলূপ্তা মমাংগী চেম্পিয়ন অমিট পঙ্ঘল (কেজি ৫২) লোয়ননা সিলভর মেদল ফংলকখ্রবা অসিশ কুমার (কেজি ৭৫) অমসুং বিকাশ কৃষ্ণন (কেজি ৬৯)না লুচিংগদৌরি।

নুপাগী কাঙলূপ্তা শরুক য়ারিবা অতোপ্পা বোক্সরশিং অদুদি হুসামুদ্দিন, শিব থাবা, বরিন্দর সিংহ, সুমিট সংৱান, সঞ্জিট অমসুং নরিন্দরনি। লোয়ননা নুপীগীদা মোনিকা, সাক্সি, জস্মিন, সিমরঞ্জিৎ কোর, লালবুৱাটসাহি, লোভলিনা বোর্গোহেন, পুজারানী, সাৱিতি অমসুং অনুপামানি।

# রেঞ্জর্স এফ সী সেলটিক্সকী মখূৎতা পাঞ্জল ১-২দা মায়থীখ্রে

গ্লাসগো, মে ২৩ (এজেন্সী):
মণিপুর মচা ঙাঙোম বালানা শরুক য়ারিবা স্কোটলেন্দগী ক্লব রেঞ্জর্স এফ সী ঙসি শান্নখিবা স্কোটিশ ৱিমেন্স প্রেমিয়র লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ১৮শুবা রাউন্দদা সেলটিক্সকী মখূৎতা পাঞ্জল ১-২দা মায়থীদুনা অনীশুবদা লৈরম্বদগী ৩শুবদা হন্থখ্রে।

ঙসিগী মেটচ অদুদা ঙাঙোম বালা শরুক য়াখিদে। রেঞ্জর্স এফ সীগী ট্রেনিং সেন্টরদা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ২১শুবা মিনটতা সেলটিক্সকী মায়কৈদগী কেলি ক্লার্কনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা রেঞ্জর্স এফ সীবু ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি। পাঞ্জল অদুগা ইকান কান্নদনা রেঞ্জর্স এফ সীগী মায়কৈদগী রিচেল মেগলোক্লাননা ইক্কেলাইজর অদু চনবা ঙমখি। অহানবা হাফকী লেমহৌরিবা মতম খরা অদুদা নাকল অনীমক্কী মায়কৈদগী পাঞ্জল চন্নবা কন্না হোৎনরকখি। অদুবু মিনট ৪৫গী মতম লোইশিল্লকপা ফাওবদা অহেনবা পাঞ্জল চন্নদনা ১-১দা লৈনখি।

অনীশুবা হাফকী অয়াম্বা মতমসু অহেনবা পাঞ্জল চনবা ঙমদনা লৈনখি। রেঞ্জর্সকী মায়কৈদগী শান্নবগী ৬৪শুবা মিনটতা ব্রোগান হেগী মহুৎতা এমা ব্রাউনলি শান্নবা চঙলকখি। পাঞ্জল অহেনবা লৈখিদবা অদু শান্নবগী ৮২শুবা মিনটতা ফজবা এটেক অমগী মতেংনা সেলটিক্সকী মায়কৈদগী সারা ইৱেন্সনা পাঞ্জল ১ চল্লগা ২-১দা মাঙজিল থাখি।

রেঞ্জর্সকী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোক্কবা অনৌবা শান্নরোয় অনী সান্তলে স্বাবি অমদি কর্ষ্টেন রাইলি শান্নবা চঙলকখি। অদুবু সেলটিক্সকী দিফেন্দরশিংগী মশান্না অদুদা রেঞ্জর্স ইক্কেলাইজর ফংবা ঙমখিদনা ১-২দা মায়থীখি। থা অসিগী ২৬তা রেঞ্জর্সনা ফোরফার্ট ফার্মিংটনগা শান্নগনি।

# রেষ্টলর সুশিল কুমার অমদি মহাক্কা লোয়নবা ছাত্রাসল মীহাৎকা মরী লৈননা ফারে



ন্যু দেল্লী, মে ২৩ (এজেন্সী):
ওলিম্পিকতা মেদল অনীরক লৌবা ঙমখ্রবা রেষ্টলর সুশিল কুমার অমদি মহাক্কা লোয়নবা মীওই ছাত্রাসল ষ্টেদিয়মদা থোকখিবা থৌদোক অমদা লৈখিদ্রবা সাগর রানা মীহাৎকা মরী লৈননা দেল্লী পুলিস স্পেসল সেলনা ঙসি অয়ূক ফারে হায়রি।

ইন্সপেক্টর শিব কুমারনা লুচিংবা দেল্লী পুলিসকী স্পেসল সেলগী টিম অদুনা রেষ্টলর সুশিল কুমার অমদি মহাক্কা লোয়নবা অজয় কুমার দেল্লীদা ঙসি ফাখিবনি হায়রি। ছাত্রাসল ষ্টেদিয়মদা রেষ্টলর মশেল খৎনরকপদা সাগর রানা শোকপদগী শিখিবনি হায়রি। হীরম অদুগা মরী লৈননা দেল্লীগী কোর্ট অমনা সুশিল কুমার অমদি অতোপ্পা মীওই ৬কী মথক্তা নন-বেলেবল ৱারেন্টশিং ইস্যু তৌখিবনি। খোঙথাং অদু রেষ্টলর সুশিল কুমারগী মথক্তা লুক আউট নোটিশ পীখ্রবা মতুংদা লাকপনি। দেল্লী পুলিসনা সুশিল কুমার ফানবা হোৎনবদা পাউ পীরকপশিংগী ওইনা লুপা লাখ ১ মনা লাউথোকখ্রবনি। লোয়ননা মহাক্কা লোয়ননা অজয় কুমার ফাবদনা লুপা লিশিং ৫০গী মনা থমখি। অজয় কুমার সাগর রানা মীহাৎ অদুগী মতুং সুশিল কুমারগা লোয়ননা অদুম্মক লৈরকখিবনি।

থৌদোক অদু থা অসিগী ৪দা ছাত্রাসল ষ্টেদিয়মদা থোকখিবনি। মখোয়গী মথক্তা সেক্সন ৩০২, ৩০৮, ৩৬৫, ৩২৫, ৩২২, ৩৪১ অমসুং ৫০৬কী মখাদা এফ আই আর চনখিবনি। লোয়ননা সেক্সন ১৮৮, ২৬৯, ১২০ (বি) অমসুং আই পি সীগী সেক্সন ৩৪সু রেজিষ্টর তৌখি হায়রি।

# দি এফ এ মোইরাংনা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোরকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৩ (ঐচ এন এস):
ফিফা ৱর্ল্ড কপ ২০২২-২৩ এসিয়ন কপ ক্বালিফায়িং মেটচ শান্নরুনবা মণিপুরদগী শান্নরোয় ৬ য়াওরকপগী মনুংদা মোইরাংদগী ফুটবোল্লর অহুম মথংশিংনা উদান্তা কুমাম, ধীরজ মোইরাংথেম অমদি কোন্সম চিংলেনসনাবু খল্লকপদা দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন (দি এফ এ) মোইরাংনা ঙমখে লৈতনা নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন মোইরাংগী জেনরেল সেক্রেটরি ফিলেম মাঘানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শান্নগদৌরিবা মণিপুর মচা মখোয় তরুক্লা হৌজিক-হৌজিক কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা মালেমগী মফম খূদিংমক্তা কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভ অসিগী মিপাইনবা মতম অসিদা মণিপুরগী মীয়াম পূম্নমক্না ইন্দিয়াগী মিংচৎ পুরক্লবা মালেমগী শান্নরোয়শিংগা লম্বা থেংনবদা মণিপুর মচা মখোয় তরুক্লা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা মিংচৎ পুরকপা ওইহনবীয়ু হায়না তাইবং শেন্বা মপূদা মীয়াম্না থৌনীমিন্নসি হায়রি।

লোয়ননা লাক্কদবা চহী কয়াদসু ইন্দিয়াগী শান্নরোয় তরাগী মথক্তা হেন্না পুথোক্লনবা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা)গী মখাদা লৈরিবা দি এফ এ/দি এস এ ঐখোয় খূদিংমক্না অম্ফাগী মীৎয়েং মখাদা ফুটবোল দিভলপমেন্টদা হেন্না থৱায় য়াওমিন্নসি হায়না দি এফ এ মোইরাংনা পাউজেল অসি পীজবগা লোয়ননা ঐখোয় পূম্নমক্না লৈঙাক্লা পীবা চৎন-কাঙলোন ঙাক্লা চৎমিন্নদুনা হৌজিক-হৌজিক মালেমদা অকি-তুজুংলবা কোভিদ-১৯ অনীশুবা ৱেভ অসিবু মায়থীবা পীমিন্নসি হায়রি। পূম্নমক্না য়ারিবমখৈদি যূমদগী মপান থোকপীদনবা দি এফ এ মোইরাংগী এগজিকুটিভ মেম্বরশিংগী মায়কৈদগী পাউজেল পীজরি।

# ৱাই ও এস সীনা য়াসিরবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ২৩ (ঐচ এন এস):
মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড কপকী ক্বালিফায়িং মেটচকীদমক কাটারদা শান্নগদৌরিবা মেটচশিংদা ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়ানবা প্লেয়র তরুক খনগৎপদা খুরাইগী য়ুঠ ওর্গনাইজেসন স্পোর্টিং ক্লব (ৱাই ও এস সী)তগী হৌখিবা এম দি য়াসির খল্লকপদা ৱাই ও এস সীগী মায়কৈদগী তৌবীমল খঙবা উৎপগা লোয়ননা নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

য়ুঠ ওর্গনাইজেসন স্পোর্টিং ক্লবকী মায়কৈদগী এম দি য়াসিরদা নৎতনা অতোপ্পা মণিপুরদগী হৌখিবা শান্নরোয় পূম্নমক্কীদমক তাইবং শেমবা মপূদা থৌনীজিবগা লোয়ননা মণিপুরগী মিংচৎ পুরকপা ওইরসনু হায়না ক্লব অসিগী সেক্রেটরি ৱাই বিকেননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

# মৈরাবা ইন্টরনেসনল টুর্নামেন্ট অহুমদগী ৱিদ্রো তৌখ্রে




ইম্ফাল, মে ২৩ (ঐচ এন এস):
এসিয়াগী জুনিয়র নম্বর ৱান অমদি ৱর্ল্ডগীনা নম্বর টুদা লৈরিবা বেদমিন্টন শান্নরোয় মাইস্নাম মৈরাবা লুৱাং থা অসিদা পাঙথোক্কদবা ইন্টরনেসনল টুর্নামেন্ট অহুমদগী ৱিদ্রো তৌখ্রে।

বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসনগী মখাদা পাঙথোকপা টুর্নামেন্ট-শিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা ৫৬শুবা পোর্টুগিজ ইন্টরনেসনল চেম্পিয়নশিপ ২০২১দা শরুক য়াগনি হায়না মৈরাবা লুৱাংনা শেম শারম্বনি। অদুবু কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা মে ৬তগীনা ৯ ফাওবা পাঙথোকপা টুর্নামেন্ট অদুদা য়াওখিদবনি। মে ১৯দগীনা ২২ ফাওবা পাঙথোক্কদবা য়োনেক্স স্লোভেনিয়া ইন্টরনেসনল বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০২১সু য়াওরিবনি। লোয়ননা মে ২৭তগী ৩০ ফাওবা ওষ্ট্রিয়ন ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অদুসু শরুক য়াররোই হায়রি।

মৈরাবা টুর্নামেন্ট অহুম্মক্তা এন্ট্রি কনফর্ম তৌরম্বনি। হৌজিক-হৌজিক মৈরাবা লুৱাং বেঙ্গলুরুদা লৈবা প্রকাশ পাদুকোন বেদমিন্টন একাদেমিদা রেগ্যুলর ট্রেনিং চথদুনা লৈরি।

মখা তানা চহী অসিদা পাঙথোক্কদবা ইন্টরনেসনল টুর্নামেন্ট ১০ রোম শরুক য়াননবা মফম অদুদা শেম শারিবনি। মহাক মশামক মথংগী চয়োলদা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিনসু কাপ্লগনি হায়রি।


# EMPLOYMENT NEWS


(Bricks Mistry + Jugali Needed)

Samurou Bazar, Imphal West কা নক্না লৈবা মীওইগী ওইনা Workshop Asst. (XII Passed) 2, Car Wash + Workshop Helper 2/2, 2 Wheeler Mechanic 2, Bricks Mistry 2, Jugali 4, Car Driver 2 অথুবা মতমদা পামজে।

Sd/- : M.M. Singh
Contact No. : 8787556934

HL-B/6970/16/5-13/7(alt)


# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 118**

**Foerster, Andreas - Bauer, Peter**
**Bundesliga 8384 Germany, 1984**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.d4 Nf6 | 2.c4 g6 | 3.Nc3 Bg7 | 4.e4 d6 |
| 5.f3 O-O | 6.Bg5 Nbd7 | 7.Qd2 c5 | 8.d5 a6 |
| 9.Nh3 Qa5 | 10.Nf2 Rb8 | 11.a4 Ne5 | 12.f4 Neg4 |
| 13.Nxg4 Bxg4 | 14.Bd3 b5 | 15.cxb5 c4 | 16.Bxc4 axb5 |
| 17.Bd3 b4 | 18.Nd1 Bxd1 | 19.Qxd1 b3+ | 20.Qd2 Rb4 |
| 21.Bxf6 Bxf6 | 22.O-O Ra8 | 23.Qe2 Rxa4 | 24.Rxa4 Qxa4 |
| 25.h3 Qd4+ | 26.Kh2 Ra2 | 27.Rb1 Qa4 | 28.Bc4 Rxb2 |
| 29.Rxb2 Bxb2 | 30.Qd3 Qa1 | 31.Bxb3 Bd4 | 32.Qd1 Qc3 |
| 33.Bc2 Qe3 | 34.Qf1 Qd2 | 35.Bb1 Be3 | 36.f5 Bf4+ |
| 37.Kh1 Qe3 | 38.fxg6 hxg6 | 39.Bd3 Qg3 | 40.Kg1 Be3+ |
| 41.Kh1 Bf4 | 42.Kg1 g5 | 43.Qf3 Qh2+ | 44.Kf1 Qh1+ |
| 45.Kf2 Qc1 | 46.Qe2... | | |

**QUESTION :**
**Black to Win or Draw**

**Puzzle 117 Ans. :**

**41.** ...Rb1+Intermediate check **42.**Kh2 Rh1+The black rook decoys White's king. **43.**Kxh1 Qxf3+ **44.**Kg1 Qg2#
**41.** ...Rb1+ **42.**Kh2 Rh1+

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com